ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯲꯹, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯲꯴ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

# হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেল, জুলাই ২৯, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ১২৪শুবা মশীং

## সুশিলাবুসু তরাম্না ওকহন্নীংই

### মিংকী পিরাং হরাওবগী পি ওন্থোক্লবা হোৎনবীয়ু

জপানগী টোকিওদা পাঙথোক্লিবা ৩২শুবা সম্মর ওলিম্পিক গেমস, ২০২০দা ইন্দিয়াগী অহানবা মেদল একাউন্ট হাংদোকখিবী সাইখোম মিরাবাই চনু তরাম্না ওকখ্রে। মহাক্না এয়রপোর্টকী থোঙজিন্দগী কান্থোরকপা ফাওবা ঙাইঙমদনা খম থেংনা হরাওরবা চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা মীয়াম্না তরাম্না ওকখ্রে। সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকখিবা ফেলিসিটেসন প্রোগ্রাম অদুগী মফম য়ৌদ্রিঙৈগী মরক্তা মশীং য়াল্লবা মীয়াম্না থৱায় মাঙহনবা ঙল্লিবা কোভিদ-১৯ ফাওবা নাচুংদনা, মসিবু লাকশিন্নবা থল্লক্লিবা কর্ফিয়ুগী অথিংবা ফাওবা কাউথোক্লদুনা মহাকপু কৌদুনা, মণিপুর ইমানা য়াইফরে হায়বা খোল্লাউতনা পূমনিল নিলহন্দুনা খূৎ থাঙ্গৎতুনা ওকখ্রে। তশেংনমক পেন্দমিক অসিনা ষ্টেট অসিবু য়োমশিল্লমদ্রবদি অদুঙৈ লৈখিদ্রবা ঙাঙোম দিঙ্কোনা এসিয়ন গেমসতগী গোল্ড মেদলিষ্ট ওইদুনা হল্লকখিবা নুমিৎতুদা তিনখিবা মীয়ামদুদগী তাদনা মিরাবাইবু ওক্লমগদবনি। মশীং লাকঙমদ্রবা থাগৎ-ৱাহৈশিংতনা মণিপুর পূম্বা পীক থল্লমগদবনি। অদুবু মপান থোক্লা ফীভম অসিমক য়ৌখিদ্রবসু লৈবাকসিগী মীংচৎ উরোং খিল্লকখিবী মহাক্কী মফমদদি হরাও নুংঙাইবগী ময়েং তাখিবদি নত্তে। ষ্টেটকী ওইবা হেলিকোপ্টরগা লৈজরল্লগদি মণিপুর শিনবা থুংনা পাইদুনা মফম পূম্ন মক্কী মীয়াম্না মপাল নাইদনা হরাও-নুংঙাইবগী চাইখৎলকপা লৈ খুজোকশিং লৌশিলহল্লম্বা ফাওবা য়াবনি। চীং তমগী মফম পূম্নমক্তগী লোইনাইদ্রবা থাগৎ ৱাহৈশিং অমত্তা চিংথদনা লৌশিনবা ফংলমগদবনি। অদুবু মণিপুর গভর্ণমেন্টনা শিন্দুনা পাঙথোকখ্রিবা তরাম্না ওকপগী থৌরমদু ওন্থোক্লা চীং লেম্না ফজখ্রে। সিটি কনভেন্সন সেন্টরগী ওদিটোরিয়মদা তিনখিবা মীয়াম, থৌরম অদুবু উবা ফংখিবা পূম্নমক্কী মায়থোঙশিং হরাও নুংঙাইবশিংনা থুমহৎখি, লোয়নমক লংত্রিক লংখি। গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী শকখিবা ৱাশক্কী মতুংইন্না য়াল্লবা শেলগী মনাশিং খূৎশিন্নখি। মিরাবাইবু মণিপুর পুলিস স্পোর্টসকী এদিসনল এস পিগী ফম ফাওবা হরাওবগী শেম্পাক্তা হাপ্তুনা লৈতেংখি। মহাক্কী ফমসিগী ওফিসকী কা ফাওবসু থিঞ্জিন্দুনা ফমহনবীখি। থাক ৱাংখ্রবা, ফজখ্রবা গভর্ণমেন্ট অমসুং মীয়ামগী থবকনি। তৌবীফম থোকই, পীবিফম থোকই, পাঙথোকপীফম থোকই।

মতুংদসু মহাক্না মালেমগী শান্নবুংশিংদগী পজেং ফিরাল থেৎতুনা শঞ্জেন্থোংগী থোংয়াইদা শামু তোংদুনা লাকপদা মসিদগীসু হেন্না হরাওবা, নুংঙাইবা অমসুং থাগৎপগী খুদোলশিংনা মরেপ থুমহনখিগদৌরিবনি। অদুবু গভর্ণমেন্ট অসিনা তৌদে হায়বা নত্তে। মাঙজৌননা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না পাঙথোক্লিবা ওলিম্পিক গেমসসিদা শরুক য়ারুবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংদা লুপা লাখ ২৫/২৫ পীগদৌরিবনি। শেনফমসি ওলিম্পিক গেমস অসিদা শরুক য়ারুবী জুদোকা লিকমাবম সুশিলাদসু পীগদৌরিবনি। মসিদগী হেন্দে দারক্তুনা মহাক্কী কন্সটেবলগী রেঙ্কতগী সব ইন্সপেক্টরদা ফাওবা প্রমোসন পীরগনি হায়দুনা লাউথোকখ্রে। মসিসু গভর্ণমেন্টসিগী ফজখ্রবা থবকনি। মীয়ামগী মপি মপা অমা ওইবগী তৌরকফম থোকপা থবকশিংনি। অদুবু হায়নীংলিবসি সুশিলাবুসু মহাক্না পোক্লফম মরমদমসি য়ৌরকপদা তরাম্না ওকপীয়ু হায়বসিনি। মহাক্না জপান্দগী মখল অমত্তগী মেদল অমত্তা ফংলকপা ঙমখিদ্রবসু মহাক্না মালেমগী মশান্নশিংগী খ্বাইদগী চাওরবা ফম্বাক্তুদা শরুক য়াবা ফংলুবা অদুম্মক মমল য়াল্লিবনি। ওলিম্পিকসিদা শরুক য়াবা ঙমজদবা, শরুক য়ানবগী ক্বালিফাই ওইবা ঙমজদবা লৈবাক কোকথোং অমা লৈরিবনি। ইন্দিয়াগী ওইনসু জুদোকা পূম্নমক ক্বালিফাই ওইখিবা নত্তে। মহাক মশাগী চহী নৌরি, মশাগী পূক্নিং ৱাখলদসু নীংহন্নবা লৈত্রি। মথংগী ওলিম্পিক গেমস অমদদি শোয়দনা মেদল অমগী মপু ওইরকখিনি হায়বগী থাজবা হৌজিকসু মাঙদ্রি, মহাক মশাদা লোয়নরি। মণিপুর গভর্ণমেন্টনা, লৈবাক মীয়াম্না মহাকপুদি রেদ কার্পেট ৱেলকম তৌবীরোই হায়বা নত্তে। মহাকপুসু হেন্না পূক্নিং থৌগৎহন্নীংবগী ৱানি। ঙসি ওইরিবা ফীভমসিদগী হেন্না ফগৎলক্নবা মথৌ তাবা থবক খুদিংমক হৌজিক্তগী হৌনা পায়খৎহন্নীংই হায়বনি। মহাক্না টোকিওদগী লৈবাকসিগী লৈমায়দা থুংলখিবদা তাখিবা মিংকী পিদু মথংগী ওলিম্পিকতদি হরাও নুংঙাইবগী ফোং ফোং শারবা মিৎলু পিরাং ওন্থোকহন্নবা হোৎনহন্নীংই হায়বনি।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২২**

১) কুমজা ১৯৫৪দা অহানবা ওইনা ফোঙখিবা *'জাৎ ওনবা'* হায়বা লাইরিকসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?

২) ***"থমজরম্লে থৱায়গী থৱায়/পামজবদা পীথোক্লম্লে/শেমজরম্লে তুরেলগী কাওশীং/ঈচেলনুংদা শিন্নরম্লে।/অসি য়ৌনা লাইবকথীরবী/তোর্বান ৱাংমা য়ৌজরগে।"*** ঈশৈ শৈরেং মতেকসি কনানা ইবনো অমদি করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

৩) গ্যানপিথ এৱার্দ ফংলবা গুরদিয়াল সিংহগী ***"মারহি দা দীভা"*** হায়বা লাইরিকসি মীতৈলোন্দা করি হায়না থোন্দুনা কনানা হন্দোকপগে?

৪) ***"চীংথঙখোম্বা মহারাজ গঙ্গা চৎপা"*** হায়বসি কনানা লেংবনো?

৫) কলিকতা বিশ্ববিদ্যালয়দা ইন্টরমেদিএট আর্টসতা তম্নবা অহানবা মণিপুরী শৈরেংগী টেক্স বুক ওইখিবদু করি লাইরিকনো, কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৩৯

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

শুমাং লীলা অমা পুথোক্লবা হোৎনবা, লীলাদু পোপ্যুলরসু ওইহন্দবা য়াদবা, আর্টিষ্ট য়াওরিবা ময়াম অদুগী পেন্নবা তৌদবসু য়াদবা মরম কয়া লৈবনা লীলা পার্টি অমবু মতিং লৈনা হিংনবা হোৎনবা হায়বসিদি শাথীনা ৱাবা অমনি। দিপ্লোমেসি য়াম্না হৈতবা য়াদবনি। করিগুম্বা লীলা অমা পুথোকপদা তরাই তরাইনা, থোকঅবা অমা মাইনা লাকচনি গাইনা হেক থৌ ৱা শারুদ্রবা লীলাদু অদুম শোয়রে। ফোঙবা ইকুই কুইদনা লীলাদু থুপচিনখিবগী ৱারী য়াম লৈ। অদুনা লীলাসি শান্নরগে হায়না সেলেক্সন তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা স্কৃপ্টতু অমদি লীলাদুগী মশক অদু য়াম্না মুন্না ষ্টদি তৌবা অমা চঙই। মদু কান্দুদনি, মীয়াম্না পামগদবা অমদি মীয়ামগী মীহুন চোংহনবা ঙমগদবা খরা হাপতোক হাপচিন তৌহৌনবগী তাঞ্জা লৌগদৌরিসি। মসিদি কোক য়াম্না থাদদবা য়াদে। তরাই তরাই তৌবা য়ারোই। অকুপ্পা লীলাগী কাঙলোন অমা শীজিন্নবা মথৌ তাই। ময়াম্না পাম্নবনি হায়না ফাগিনি খঙদে, ৱাচোই হেক হাপচিল্লুবদা লীলাদুগী একাদেমিক ভেল্যু অমদি এস্থেটিক লোইনা মাঙখিদৌরিনি। অদুনা কুপথনা খনবা অমা চঙই। শুমাই তৌদনা লীলা অমা মশা নান্না অমদি মমুৎ তানা পুথোক্লবা হোৎনবদা ৱাখ্রিবা ময়াম অদুসু য়েংলগা, লীলা অমগী ভেল্যু অদুসু মীয়ামদা খঙহন্নীংবা অমগা ওইবগা, লীলা কৌবীরিবশিংনা হেক হায়বা মমলদা লীলা শান্নবসি ঐদি কয়া পামদে। অদুনা লীলাগী মমল পীনরমদাইদা হেক হেক ৱাসি ঙাঙনৈ। লীলা কৌবনা হায়বনা শেল তাহন্নীংবা, ঐখোয়না হায়বনা তাবা য়াবা চাঙ হায়বা অমা লৈবদুদগী হাইথরগনা শেল খক্কী ৱা নত্তনা লীলা হায়বসি ইরায় লায়বা, ইয়া য়াবা, খরা ঙাঙন-শক্লরগা পংতৌ তৌবা য়াবা ওইনা খলহনবা পামদবা, সিনি তৌরিসি। অদুনা মসিগী ৱাখল্লোনশিং অসিদা কৈসু নত্তবদা মরৈ মচা মচা তৌনবা য়াওই। অদুনা মরু ওইনা ঐসি লীলা দখিনা (অকৌমল) লৌবদা ৱা ঙাঙনবা য়াম য়াদবনি হায়বসি হেক হেক হায়নবীখিবনি। মদুসু ঐ খঙদবা নত্তে। ঐনা লৌরিদি লীলা কৌরিবা মীদু হেক্তা পুমতুম তুম্না মাঙ তাক্লবা মওংদা লৌখিবা অমত্তা নত্তে। অদুগা হায়নখিবা য়ানখিবা মমলদগী ঐনা কৈদৌঙৈদসু হেন্না লৌবা নৎত্রগা তানা লৌবা অমুক ফাওবা য়াওখিদে। ময়াম্না হেক হায়রিখৈদুদা হরাও হরাও হোয় হোয় হায়রগা লৌদবদুগী ৱাতনি।

অদুবু লীলা শানখৈ শান্নরগা শেল লৌনীংদবগসু য়াওদবা নত্তে। মসিগী মরম খরা লৈ। অহানবদা শান্নরিবা লীলাদু য়াম্না ফজদবা, মীয়াম্না লীলাদু এপ্রিসিএট তৌদবা, লীলা কন্না শান্নরিঙৈ মতমদা অয়েংবা মীসি ফুক ফুক হৌগৎতনা কায়বা য়াওবা, অদুনা শেল লৌবা ইকায়বা, মসিদি মরু ওইনা ঐনা মথক্তা থমজখিবা, লীলা ফোঙবা, ফোঙবা কুইদ্রিবা লীলাদা খরা তৌগল্লি। লীলা হায়সিদি খরা তোয়না শান্নরগা লীলাগী ফজবসু হেনগৎলক্লিবনি। নোংম-নোংমগী খরা খরা হাপচিনবা, য়াদবদুনা মন্থোকপা, অদুগুম্বা ময়াম অদু মন্থোকপা লোইরবদদি লীলাদুগী মশক অমা শেমগৎলকই। মসিগী মরকসিদনি লীলাগী অশোয়বা হেক হেক থোক্লিবসি। অতোপ্পা মরম অমনা ঐখোয়বু য়াম্না য়েংজনীংবা, অদুগা মদুগী শিন্দোক-শিঞ্জিন খুদোংচাদবা লৈবনা য়াম্না ৱানা শিঞ্জবা উবা, মসিদি ঐখোয় শেল লৌবদা খূৎ নিকই। অদুনা ময়ামদা তাবা চাংদগী হেন্না তাথোক্লম্মী। ঐখোয় ইশাদা থেংনখিবা এক্সপরিয়েন্স অমতং ময়ামদা থমজবা তারগদি, মতম অমা ঐখোয়গী লীলা "লানপুঙগী পুঙখোল" হায়বা অমা শান্নরম্মী। লীলাসি লালহৌবগী ৱারী ওইনা তৌবা লীলা মতা অমনি। ময়াম্নদি য়াম্না পাম্নখিবনি। লীলাসিগী অরোইবা সিনদা নোংমৈ কাপ্নবদা, হিরোদু শি। সিগী লীলাসি মফমদি পঞ্জররোই, মফম অমদা কৌবদগী চৎলি।

লীলাদু শান্নরে, লীলা লোইবগী সিনদুদা নুপী অমা হান্নদগী মখোল থোক্লি থোক্লি কপ্লম্বদগী হিরোদুনা শিবদুদা মখোল হৌনা কপ্লগা চেনশিল্লক্লগা হিরোদু কোল্লগা "ইমাগী ইবুংঙো" হায়না ও খোংখৈ কপ্পী। হিরোদু ঐনা শাবনি, ঐ তৌরিসিবু করিনো হায়না খল্লি। মী খরা চঙশিল্লক্লগা নুপীদু কোল্লগা পুথোকখি। অদুগা লীলাদু মখা চত্থরগা লোইশিনখি। অদুগদি লীলাদু নুপীদুনা কৌরগা ময়ামদা য়েংহনবা ওইরম্মে। নুপীদুগী মচানুপা অমা লালহৌবা য়াওবদগী আর্মিনা কাপ্তুনা হাৎখি হায়। মচাদুনা মমা লৈবাক্কীদমক কথোকচখিবা কয়া অদু ময়ামদা য়েংহন্নীংবদগী কৌবনি হায়। ঐখোয়দি মদুগী মরমদু হান্না খঙবা নত্তে। লীলাদু পুমলোই লোইরগা নুপীদুগী ময়ূমদা ঐখোয় চঙই। চাক ঈশিং মখোয়দা শিল্লি। মাঙ্গোলদা থেৎপা মচাগী ফোটোদু ঐখোয় ময়ামদা উৎলগা মশক তাকই। অদুদসু অমুক কপ্পরকই। ইমুংগী মীওইশিংদু। ঐখোয় চাক চাবদু মথোঙ খঙখিদে। অদুবু ইমুংগী মীশিংদুনা য়াম্না থৱায় য়াওনা শিনবীবদু উবদা ঐখোয় পুংপেন পেনখি। তৌরিবা ফীভমশিংদুদা ঐখোয় ইমুংদুদগী শেল লৌবা ঙমখিদে। লৌররোইসিরা হায়না লোন্না খন্নে। অদুবু শেল পুথোরক্লগা পীরকপদা ঐখোয়না গাড়ীগী অমদি সাউন্দগীদমক লৌজরগে, লীলাগীদি লৌজররোই হায়না হায়বদা মখোয়না য়াখিদে। নমদুনা পীরকই। অদুবু ঐখোয়না হেক ঙমজবা মখৈ হনলগা লৈখিদবা ইনাও অদুগী থাগী চাক্লুক কৎপদা শীজিন্নবীয়ু হায়না পীরমখি। অসিগুম্বগসু লীলা চৎপদা য়াম্না থেংনৈ।

খোইদৌ হেক শাওগৎপা অমা হায়রগদি, লীলা হল্লকপদা মণিপুরগী থানা খরনা লম্বীদা থৎলগা দিল লেনবসি ওইরে। হৌজিক্তি তৌরম্মরোইকো, ঐনা লীজরিসিদি চহী ৪০ হেনবগী মমাঙগী ৱানি। মতমদুদা মান্নরুসু য়াদগুম তৌ, খোইদৌসি শাওগৎখ্রজাৎনি। লীলাগী দাইলোগ ঙাঙলম্মু, ঈশৈ মতেক অমা শক্লম্মু গাইনা। ঐদি মদু শুংতৌ তৌদে, নোইনা তৌনীংবা তৌ হায়না অদুম লৈ। অদুদি চৎপা য়ারোই হায়, ঐসু য়াই হায়না অদুম লৈ। মমৈদা ৱারৌবীনু, ঐখোয়সু দ্যুটি তৌবসিদা ৱাদুনা ঙাইহাক মতম লেনমিন্নবগী ৱানি হায়রগা থাদোরকপগী ৱানি। য়াম্না খোইদৌ লংখৎখ্রজাৎনি। আর্মিনা তৌবদি কদাইনো হায়রগা ইরোল ইরি তিন্নরিবা ঐখোয়গী ইখঙদা খঙলিবা ইচিন ইনাওশিং অদুনা মমায়দা রুমান কিশিল্লগা মতম লেনবদু য়াম্না নুংঙাইতে। ৱাখলগসি মওন মওন খল্লি। অমুক্না ঐনা লীলা চৎলুরগা য়াম্না থেংনা য়ূমদা হল্লকপগী লম্বীদা শেল মুনগদবগী লম্বীদা থৎপা অমগা য়াওখি, মদুমা খরা নুংঙাইতে। মতমদু ঐগী সাইকলদু মনীং চাকাগী নুংশিৎসু খরা পেৎলি, অদুবু ঐ য়ূম য়ৌনবা অহিং পুং ১.৩০ মুক তারকপদুদা ইথন্তা হল্লকপনি। মী অনী অহুমনা ঙাইখো, মৈখেৎ অমুক্তা লৌগে হায়না খাল্লকপনি। "ঐনা ঐদি মৈখেৎ য়াওদে" হায়রগা সাইকল খোঙনেৎসি কন্না কন্না ওৎলে, নুংশিৎ পেৎপদুদা খংচেন চেল্লু য়াদে, নীং থাঙ্গৎলগা অমুক্তং হুমাং জি-জি তাখৈ ওৎলগা থৌরকখি। লমদু ইনক নকপা মফমনি, মমিং পল্লগা ঐবু শাওবীনি পঞ্জররোই। বজারদগী কিলোমিটর অনী অহুমদং লাপ্পা মফম অমদনি। অদুগা মোইনা ঐঙোন্দা থারকপা নুঙশি অরোইবীনি ঐনা সাইকলদু চুম্না থৌদ্রে, সোরোক্তুদা ফেরে-ফের হাইরগা থৌই। লাইবক ফবদগী নুঙ অমত্তা ঐঙোন্দা পানখিদে। সিবু ময়াম্না থাজবীবরা, অশেংবদি অশেংবনি। অঙক অঙকপা থৌদোক য়াম্না থোকখিবনি।

এন বি : শুমাং লীলাগী ৱারীসিদি লোইবা নাইরোই, ঐগী চহী ৪০ হেনবগী এক্সপরিএন্সশিং অদু লোইনা তম্বদা লমায় য়াম্না চঙগদবনি। তেনখ্রবা কোলম অসিদা লোইনা ফোঙদোকপদা কাঞ্জোং-কাঞ্জোং ইজবগী ৱানি। অদুবু পাবিরিবশিংদা খুরুমদুনা হায়জরিবদি, ওগষ্ট থা অসিমদি, ঐনা চহী কয়াগী মমাঙদগী "ইপুদা ইজবা চিঠি" হায়দুনা হেক হেক ইদুনা লাকই। অদুনা থা অসিমদি শুমাং লীলাগী ৱারীসি লেপচখিবা তারি। পাবিরিবা পূম্নমক্না ৱারৌবীদনবা নীংশিংজরি। ওগষ্ট থাসিমদি ইপুদা ইজবা চিঠি হায়বদু ওইনা পাবীনবা নোল্লুকচরি। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১৭২

**উসম ধনঞ্জয়**

**জন্যুৱারী ৭, ২০১০ ইং :**-কুমজা ২০০১গী নবেম্বর ২গী নুংথিলদা মালোম বোরোই মখোঙদা থোকখিবা থৌদোক অমদা নুপী অমা য়াওনা মীওই ১০ লৈখিদবা অদুগী মতাংদা ইনক্বারি চত্থরিবা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ মণিপুর ইষ্টকী টি ঐচ সুরবালানা থৌদোক থোকফমদা চৎতুনা স্পোট ইনক্বারি তৌখ্রে।

ঙসি অয়ূক পুং ১১.৩০ রোম তাবদা চত্থখিবা স্পোট ইনক্বারি অদুদা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংগী মায়কৈদা লেপ্লিবা এদভোকেট শোরেনশংবম লখিকান্ত, য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট ষ্টেন্দিং (দিষ্ট্রিক্ট) কাউন্সেল এম কুলাচন্দ্র, মালোম থৌদোক অদুগী কেসকী আই ও রামেশ্বর অমসুং থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংসু শরুক য়াখি।

মালোমগী থৌদোক অদুদা অশি-অনা য়াওহনখিবদু অসাম রাইফলসনা অতম্ননা মরম চাদনা নোংমৈ পংকাপ্তা কাপ্পদগী থোকখিবনি হায়বা ৱাফম য়াওনা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা গৌহাটি হায় কোর্ট ইম্ফাল বেঞ্চতা ৱাকৎলকখিবনি। অদুবু অসাম রাইফলসকী মায়কৈদগীদি শকখঙদবা খূৎলায় পায়বশিংগা মখোয়গা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক অমদা মীওইশিং অদু লৈখিদবনি হায়না থমখিবনি।

গৌহাটি হায় কোর্ট ইম্ফাল বেঞ্চনা থৌদোক অদুগী মতাংদা অশেংবা অচুম্বা অমা পুথোক্ল বগীদমক দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ মণিপুর ইষ্টতা ইনক্বারি অমা চত্থনবা দিরেক্সন পীবা লৈখ্রবনি। মসিগী মতুংদা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ মণিপুর ইষ্টনা ইনক্বারি অমা চত্থরকখিবনি।

দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ মণিপুর ইষ্টনা মালোম থৌদোক অদুগী মতাংদা চত্থরিবা ইনক্বারি অদু থা অনীগী মনুংদা লোইশিন্দুনা রিপোর্ট পীখৎলক্লবা গৌহাটি হায় কোর্ট ইম্ফাল বেঞ্চনা মমাঙ চহীগী নবেম্বর ১৬তা খঙহনখিবনি।

মশক খঙদবা য়ু জিশিংনা ৮শুবা অসাম রাইফলসকী কাঙবুদা বোম পোকখায়হন্দুনা এটেক তৌখি হায়বা ৱাফমগা মরী লৈননা এ আরগী কাঙবুনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা মীচম ১০ শিখিবা থৌদোক অদুগী ৱিটনেসশিং সোমোরেন্দ্রো, মেমচা, সুবদনি, তোম্বা, অপাবী অমদি চন্দ্রজি নিনচিংবদা নত্তনা পিটিস্নর অমসুং রেসপোন্দেন্টকী কাঙবুসু ঙসিগী ইনক্বারিদা য়াওখি।

মালোমগী তমথীরবা থৌদোক অদুগী হেক মতুংদা ইরোম চনু শর্মিলানা মালোমদা লাক্তুনা অফস্পাগী মায়োক্তা চরা হেনবগী খোঙজং হৌখিবনি। এক্ট অসিবু মুথৎনবা তকশিন্দুনা হৌজিকসু শর্মিলা চরা হেন্দুনা লৈবদগী পুলিসনা ফাজিন্দুনা জে এন হোস্পিটালগী সিক্যুরিটি ৱার্দতা লৈরি।

থৌদোক অদুদা এল সনা, জি বাপু, ও সনায়াইমা, কে বিজয়, এ রঘুমনি, এস রোবিন্সন, কে এস ঐচ ইনাওচা, টি শান্তিকুমার, এস প্রকাস অমসুং এস চন্দ্রমনি শিখি। অশোকপশিং য়াওনা মীওই কয়া এ আরনা কোয়শিন্দুনা নুমিৎ কয়ানি থমখিবনি।

**জন্যুৱারী ৭, ২০১০ ইং :**-মী ফাবগী তোঙান তোঙানবা থৌদোক অনীদা ভেটিরিনরি এটেন্দেন্ট অমগা নুপী অঙ্গনৱাদি ৱার্কর অমগা মশক খঙদবশিংনা পুখিবদগী মফম খঙদনা লৈরি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ৱাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা য়ূম্নাম হুইদ্রোম খুনয়ায় লৈকায় খ্বাই লৈরক্তগী ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি দিপার্টমেন্টতা এটেন্দেন্ট ওইনা থবক তৌবা য়ূম্নাম ইবোচৌ কৌবা চহী ৫০ রোম শুরবা মীওই অমা ঙরাং নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তাবদা মশক খঙদবা খূৎলায় পায়বা মীওই অহুম্না ময়ূমদগী ফারগা পুখিবনি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ৱাঙ্খে থাঙ্গপাৎ মপান্দগী অঙ্গনৱাদি ৱার্কর ওইবী রিনা এলিয়জ মোতি (২৭) মপুরোয়বা সুরেস, থা অসিগী অহুমগী নুংথিলদা নুপী অনীনা কৌথোক্লগা ময়ূমদগী থোকখিবদগী মফম খঙদনা লৈরি।

ফাখ্রবা ইবোচৌগী লোয়নবী থোইনুনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্নদি মহাক্কী মপুরোয়ববু ফারগা পুখিবা মী অহুম্মক ফিজম শেৎলি। নুপা অমনা নোংমৈ অশাংবা পায় অদুগা অতোপ্পা অনী অদুনা নোংমৈ মচা পায় অমদি মমায় ফিনা খুন্মী।

মখোয় অহুম্না ইবোচৌগী ফমুং কাদা অয়েৎ-অপন অমত্তা লৈতনা চঙলকখি অমদি নমদুনা মপান্দা চিংথোকখি। ইমুংদা লৈরিঙৈদা মশা অমদি মচাশিংনা ফাবিদনবা হায়জবগা লোয়ননা করি মরমগীনো হংবদা "তূমিন লৈয়ু" হায়বা ৱাহৈ অসি নত্তনা অতৈ পাউখুম ফংখিদে হায়না থোইনুনা মখা তারকখি।

মতুংদা মশক খঙদবশিং অদুনা ইবোচৌবু য়ূমথংনবগী শুমাংলোমদা চিংলগা পুখি। মচানুপা ধমেন (২৮) না তান্নরগা ফাবীদনবা খুরুমদুনা হায়জখি। অদুবু তাবীবগী মহুত্তা লাংই হায়দুনা নোংমৈ অচৌবা পায়বা অদুনা শুমাংগী লৈমায়দা নোংমৈ মরু অমা কাপশিনখি অমদি অতোপ্পা নুপা অমনা ধমেনগী থবাক্তা কাওরমখি।

শোকপদগী ধমেন ৱাঙ্গোই সি ঐচ সীদা পুখৎখি। থৌদোক থোকফমদগী এ কেগী কাপথোকখ্রবা তোক্লিং অমা ফংখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসতা ৱাকৎপা লৈত্রি। ফারগা পুখিবা অদুদা ওটো অমা শীজিন্নবা উনহৌই।

অমরোমদা, জন্যুৱারী অহুমগী নুংথিল পুং ৪ রোম তাবদা নুপী অনী লাক্লগা অঙ্গনৱাদিগী মতাংদা ৱারী শানসি হায়দুনা কৌথোকখিবদগী রিনা হঞ্জিল্লকখিদবনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসন্দা রিপোর্ট অমা পীশিনখ্রে।

জন্যুৱারী মরিদা রিনাগী অপোকপী ইন্দ্রবতিগী টেলিফোন্দা "ঐবু থিরক্নু, ঐ য়ূম থাদোক্তুনা চৎলবনি" হায়না ইবা এস এম এস অমা অতোপ্পা মোবাইল ফোন নম্বর অমদগী থারকখি। রিনাগী মোবাইল ফোনদি থোকখিবা নুমিৎতুদা মুথৎখ্রে হায়রি।

রিনাগী মপুরোয়বা থাংমৈবন্দ পোলেম লৈকায়দগী অহৈবম সুরেস খুয়াথোংদা টু হুইলরগী ৱার্কশোপ তৌবনি। মখোয় পূন্না রিনাগী মপাম ৱাংখৈ থাঙ্গপাৎ মপান্দা লৈরকপা কুইরে। চহী মরিগী মচানুপা অমা লৈরে।

চৈরকসিদা, রিনাবু তেক্তা কায়দনা থাদোকপীরকউ হায়বা ৱাফমদা ঙসি ৱাঙ্খে থাঙ্গপাৎ মপান্দা নুপীশিংনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা মহাক্কী অপোকপী মমা ইন্দ্রবলিনা ফোঙদোরকপদা থা অসি ৩দগী থোকখ্রগা মথং নুমিৎ তারিখ ৪দা মোবাইল অমদগী মেসেজ অমা লাকখি। "ঐবু অমুক থিবিরনু' হায়বা ৱাহৈ অসিখক থারক্লগা ঙসি ফাওবদা কনাগুম্বা অমত্তনা মহাক্কী মতাংদা ফোন তৌরক্ত্রি অমদি লংলা লংজিন খঙদনা লৈরি হায়খি। মহাক হৌজিক হৌজিক অঙ্গনৱাদিগী হেলপর ওইদুনা লৈকায় অসিদা লৈরকপনি। মহাকপু কনানা করি মরমগী ফারিবনো হায়বদু শেংদোক্লবা অমদি ইমুং মনুংগী অমসুং মহাক্কী পিক্লিবা অঙাংগী মীনুংশি য়েংবীদুনা থাদোকপীরক্লবসু অপীল তৌরক্লি।

**জন্যুৱারী ৭, ২০১০ ইং :**-নন মণিপুরী/শৈদাংলবা শিন্মীশিং ম্যুনিসিপালিটি এরিয়া/ইম্ফাল বজার এরিয়াদগী হেন্দোক্তনবা অমসুং হায়রিবা মফম অসিখক্তদা থবক শুনবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী সিনিয়র এস পি, এল কাইলুননা অমুক্তা হন্না অপীল তৌখ্রে।

পনবা য়াই, দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সিনিয়র এস পিনা মমাঙ থাগী ১৮দা চেরোল অমা থোক্তুনা নন মণিপুরী/শৈদাংলবা শিন্মীশিং ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিটি এরিয়া/বজার এরিয়াদা লৈনবা অমসুং থবক শুনবা অপীল তৌখিবনি।

ঙসি প্রেসতা থোকপা চেরোল অমদা সিনিয়র এস পিনা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা নন মণিপুরীশিং/শৈদাংলবা শিন্মীশিং অথাপ্পা অমসুং মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা চত্তনবা অপীলসু তৌখি।

সিনিয়র এস পিনা মীচম মীয়ামদসু মাগী মাগী য়ূম/লৈকায়/লোকলদা নন মণিপুরীশিং/শৈদাংলবা শিন্মীশিং লৈরবদি মখোয়বু পূন্না সিক্যুরিটি পীবা ঙম্নবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা পাউ পীবিয়ু হায়নসু অপীল তৌখি। মীয়াম্না টেলিফোন নম্বরশিং - ২৪৫০১৫৯ (সিনিয়র এস পি), ২৪৫০২১৪ (কন্ট্রোল রুম), ২৪৫০০০২ (ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন), ২৪৫৮৫১৫ (সিটি পুলিস ষ্টেসন) অমসুং ২১৪৬১৬ (লম্ফেল পুলিস ষ্টেসন) দা পাউ পীবিরকপা য়াগনি হায়নসু সিনিয়র এস পিনা মহাক্কী চেরোলদা ফোঙদোকখি।

মরকসিদা, ঙরাং নুমিদাং শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা শিংজমৈ ভৈগ্যবতি লৈকায়দা মশক খঙদবা মীওই খরনা কাপ্তুনা হাৎলম্বা ৱেষ্ট বেঙ্গোলগী কুচ বিহার দিষ্ট্রিক্টকী দাবী ভিলেজদগী হৌজিক্লা শিংজমৈ ভৈগ্যবতি লৈকায়দা ভারাদা লৈবা সামুএল অরিয়া (২৭) কী হকচাং অদু ঙসি রিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌরবা মতুংদা ইমুং মনুংদা শিন্নখ্রে হায়রি।

হন্দক চহীগী ওইনা শকখঙদবশিংনা নন মণিপুরী/মাইগ্রেন্ট লেবরর কাপ্তুনা হাৎপসি ঙরাংগী অসিনা অহানবনি। মমাঙগী চহীদদি নন মণিপুরী/মাইগ্রেন্ট লেবরর ২৮ কাপ্তুনা হাৎখি। ফেব্রুৱারী থাদা ১, মার্চ থাদা ৪, মে থাদা ৭, জুন থাদা ৮, জুলাই থাদা ১, ওক্টোবর থাদা ১, নবেম্বর থাদা ২ অমসুং দিসেম্বর থাদা ৪নি।

নন মণিপুরীশিংবু হাৎলকপগী থবক চত্থরকপদগী মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা নন মণিপুরীশিংবু পুলিস ষ্টেসন মনাক্তা পুল্লপ-পুল্লপ থম্বা অমদি ইম্ফালদনা ধর্ম্মসলাদা পুল্লপ ওইনা গভর্ণমেন্টনা লৈহনবা লৈরবনি।

ইন্টর ষ্টেট বস সর্ভিস তৌরিবা ট্রাভেল এজেন্সিশিংদা নন মণিপুরীশিং মণিপুরদা পুশিল্লকপা য়ারোই হায়না মশক খঙদবশিংনা কিহল্লকপা লৈরে হায়বা ৱাফম অমনা মরম ওইদুনা সিলচর, গুৱাহাটি অমদি দিমাপুরনচিংবা মফমশিংদা লৈবা টুরিষ্ট বস সর্ভিস তৌবা এজেন্সিশিংগী কাউন্টরশিংদা দরকার লৈবা সিক্যুরিটিগী থবক লৌখৎপীনবা মরী লৈনবশিংনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস পিদা চে ইদুনা হায়জখিবসু লৈখ্রবনি। ●